**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ৩১-০৫-২০২৪, ইরাই)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিদা ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈননা শীখিবা মীগী মশিং ৪ শুরে। ইম্ফালগী পাউনা কৈথেলদা অনৌবা নৌনা দ্রেনেজ সিস্তেম থম্লগনি।

২) মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্য খরদা নোংলৈ নুংশিৎ রেমালনা অমাং অতা থোকহল্লিবা অদুবু প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিনা নুংঙাহতবা ফোংদোরক্লি। পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

৩) ইম্ফাল মনুংদা ঈশিং ঈচাউ হন্থাহন্নবা পান্দমদা ৱাইশেল মরিল ঙসিদগী শেংবা হৌখ্রে। লম খোপশিল্লন্বশিং তকথোকখ্রে।

৪) প্রোতেক্তিং চিল্দ্রেন ফ্রোম তোবাকো ইন্দস্ত্রিজ ইন্তরফেরেন্স হায়বা হিরমদা ৱার্ল্ড নো -তোবাকো দে ঙসি মালেমশিনবা থুংবদা পাঙথোকরি।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমদি অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং সিট ৫৭ কীদমক ভোট থাদনবা শেম শাবা লোইরে ।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোংলৈ নুংশিৎ রেমালগী চৈথেং মায়োকরুরবা মতুংদা তুরেলশিংদগী পাথরকপা ঈশিংনা থুমজিল্লিবা মফমশিংগী ইমায় তপা তপা হন্থরক্লি। ঙরাংগা য়েংনরুবদা রাজ্য অসিদা চেল্লিবা মরু ওইবা তুরেলশিংগী ইমায় খঙহন হন্থরে। ঈচাউ অসি মায়োকনবা সরকারনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা লন্নাই শংস্থান কয়ানসু মীয়ামগী মতেং পাংবা লেপত্রি। তুরেল লৌনম্বাল নিংখায়খিবশিং শেমজিন শাজিনবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। ঈচাউ অসিনা মরী লৈননা ঙসি মীওই অমা মৈনা চিংদুনা শীখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা শীবা মীগী মশিং মরি শুরে। ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৈশামথোং থাংজম লৈকায়দা লৈবা মীওই অমা ঈশিং চীংথোকবা হোৎনরুবদা মৈনা চিংবদগী খুদক্তা লৈখিদবনি । মীওই অসিগী লোইনবিনা হৌজিক আই.সি.য়ুদা লায়কৎনরি। অমরোমদা, ঙরাং সেকমাই তুরেলদা তাশিনখিবা মীওই অদুগী অশিবা হকচাং ঙসি অয়ুক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেকমাই দাম ময়ামদগী ফংবা ঙল্লে। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ঈচাউগী ফীভমগী মতাংদা পাউদম অমা --

**--সাউন্দ চিত্রাধানি--**

ইম্ফাল ময়োলদা লৈবা কাখুলোং খুল মনাক্কী নম্বুল তুরেল তোরবান্দগী শরুক্তা মীতর ৫০ রোম নিংখায়বা হৌরকপদগী মফম অদুগী অকোয়বা লৈরিবা মীয়াম মীপায়বা পোকরে। রিতেন্নীং ৱালগী শরুকশিং তুরেল রোমদা তুথাবা হৌরকপদগী ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগকী মন্ত্রি অৱাংবৌ ন্যুমাই অমদি বিভাগ অসিগী ওফিসরশিংগা লোয়ননা নিংখায়বা হৌরক্লিবা মফম অদু য়েংশিনখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মথৌতাবা মেছিন্নরিশিং য়াওনা অথুবগী ওইনা খুদোংথিবা থোক্তনবা শেমজিনবগী থবক চত্থখি। অমরোমদা, শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম.এল.এ আর.কে ইমোসু মফম অদুদা লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা পাউনা কৈথেলগী লৈরিবা ইরম নালাশিং অসি নৌনা শারগনি হায়না ফোংদোকখি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারগী শেন্থং মখাদা পাউনা কৈথেলদা অনৌবা দ্রেনেজ সিস্তেম অসি শাগদবনি। প্রোজেক্ট অসি অথুবা মতমদা হৌনবা হোৎনরি। লোয়ননা থবক হৌরবা মতুং চহি অমগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

নোংলৈ নুংশিৎ রেমালগী শাহুম লোইখ্রবসু খা নোংচুপতগী হৌরকপা কুমগী নোং রাজ্য অসিদসু য়ৌরক্লে। মফম কয়াদা নোং চুরি । মেট বিভাগনা হায়- কুমগী নোং অসি কেরলা অমসুং অৱাংনোংপোক ভারত রোমদা তপা তপা চংশিল্লক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মনিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, মীজোরাম, ত্রিপুরা, মেঘালয় অমসুং সিক্কিমদা লাক্লিবা নুমিৎ ৬ নি অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরগনি।

নোংলৈ নুংশিৎ রেমালনা মরম ওইদুনা অসামগী জিলা ৯ দা হৌজিকসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরি । মরুওইবা তুরেলশিংগী ইমায় হৌজিকসু খুদোংথিবা থাক্কী মফমদা লৈরি। খুঙ্গং ৩৮৬ কী মীওই লাখ অনি হেন্না ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। মীওই লিশিং ৩৫ রিলিফ কেম্প ৯৫ তা চংজফম লৌদুনা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা মীওই অনি লৈখিদ্রে।

নোংচুপ বেঙ্গোল য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্য খরদা নোংলৈ নুংশিৎ রেমালনা অমাং অতা কয়া মরুম থোকহল্লিবা অদুবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা শোকহল্লবা মীপুম খুদিংমক্কী অৱাবাদা শরুক য়ারি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারনা অসাম, মনিপুর, মেঘালয়, মিজোরাম, ত্রিপুরা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী মীয়ামদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। অমদি কেন্দ্র সরকারনা ফীভম অসি কুপা য়েংশিল্লি। মহাকা হায়- সরকারগী ওফিসিয়েলশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিল্লি।

রাজ্য অসিগী ঈচাউনা অৱাবা মায়োকরবশিং তেংবাংনরবগীদমক এন.দি.আর.এফ হেদক্বাতরসতগী টিমশিং থারকপবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা প্রধান মন্ত্রি নেরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। শ্রী বিরেননা হায়- রাজ্য অসিগী লুরবা তানফমদা মী কন্নবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা এন.দি.আর.এফকী রেস্ক্যু ওপরেসনগী কাংবু য়াওনা তঙাই ফদবশিং মতেং পীরকপা অসি লাইবক ফবনি।

গৃহ মন্ত্রি অমিত সহানসু মনিপুর,অসাম, ত্রিপুরা, মেঘালয় অমসুং মীজোরামদা নোংলৈ নুংশিৎ রেমালনা থোকহল্লিবা অৱাবা অদুদা নুংঙাইতবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়ারি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা মরিক চুন্বা পাউদম্বগা লোয়ননা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিংগা ৱারি শান্নদুনা কেন্দ্র সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখ্রে। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া লৈখিদবা অসি থম্মোই শোকিংঙাইনি অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা শোক্লবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফবা ওইরসনু । মহাকা হায়-ওইরক্লিবা ফীভম অসি কেন্দ্র সরকানা কুপা য়েংশিনবগা লোয়ননা মীয়ামদা পাংবা য়াবা মতেং পাংন্নবা পাউতাক পীখ্রে।

**ৱাইশেল(এল)ঃ** নোং হেক চুবগা ইম্ফাল মনুংদা ঈচাউগী ফীভম মায়োকদনবা নোংগী ঈশিং চিথোকপগী মরুওইবা মরিল অমা ওইরিবা ৱাইশেল মরিল ঙসিদগী অমুক হন্না শেংবা হৌখ্রে। ৱাইশেল মরিল পারিংদা লম খোপচিল্লবশিং তকথোকপগী থবকসু হৌখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোঙশাঙ্গৈ মনিং লৈকোয়দা ৱাইশেল মরিল শেংবা অমদি ইভিক্সন তৌবগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে। খোংচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা মফম অদুগী মীয়ামা মতেং পাংদুনা চত্থরিবা থবক অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি অমদি ৱাইশেল মরিলগী মরুওইবা অদু খঙনা লেপ্পা লৈতনা থবক পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীখি। মহাকা হায়- ঈশিং ঈচাউগী মতমদা গ্রেতর ইম্ফালগী ঈশিংশিং ৱাইশেল মরিল ফাওরগা লোক্তাক পাৎতা তাখিগদবা মরমা ইম্ফাল মনুংগী ঈশিংশিং চীংথোকপদা ৱাইশেল মরিল লু-নাননা থম্বা অসি য়ামমক তঙাই ফদে।

অমরোমদা, লোক্তাক দিভলপমেন্ত ওথোরিতি (এল.দি.এ)গী চিয়রমেন মোইরাংথেম অসিনি কুমারনসু ৱাইশেল মরিলগী অকোয়বদা লৈরিবা ক্লবকী মীওইশিংগা লোয়ননা ঙসি অয়ুক ৱাইশেল মরিলগী ফীভম য়েংশিনখি। মহাকা হায়-ইম্ফালগী ঈ-খোং শেংহনবদা ৱাইশেল মরিলনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অদুবু মপং ওইবা অমোৎ অকায়, মরিল অসিদা থাদবা অমদি মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা লম খোপচিল্লকপনা ৱাইশেল মরিলগী ফীভম শোকশিল্লকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা নোং কন্না চুবা মতমদা মরিল অসিদা ঈশিং নিংথিনা চেনবা ঙম্লক্তবনা ঈচাউ থোকবা মরম ওইরি। শ্রী অসিনি কুমারনা হায়- মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননগী মীৎয়েং মখাদা ৱাইশেল মরিল শেংবগী থবক অসি এল.দি.এ , দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ট্রেসন , ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগ অমদি লোকেল এম.এল.এ খুৎশমগর ৱাইশেল মরিল শেংবগী থবক অসি হৌখিবনি । মসিনা নোংজ্ থাগী মতমদা ঈচাউ থোক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ অসিনি--**

**তেংবাং(এল)ঃ** ওল মনিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্তরি এসোসিয়েসন অমদি পোইরৈ লৈমারোল মৈরা পায়বী অনিনা ঙসি লমদম অসিদা ঈচাডগী চৈথেং ফংলবা মীওইশিংদা তেংবাং পোৎলমশিং পীখ্রে। লুপশিং অসিগী মীওইশিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী লাইরিকয়েংবম লৈকায়গী তোঙান তোঙানবা মফমশিং, লাইরেনকাবি অমদি লম্বোইখোংনাংখোংনচিংবা মফমশিংদা পোৎলমশিং অদু পীখিবনি।

ইম্ফালগী থঙ্গাল বজারদা ঈচাউনা মায়োকরিবা মীয়ামদা অসাম রাইফলস অমদি মনিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী থকবা ঈশিং অমদি চানা থকবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, জিরিবাম জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা দিপ্যুতি কম্মীস্নরনা লুচিংবা ওফিসরশিং চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসননা পায়খৎলিবা থবকশিংদা মতেং পাংশিনবা ওইনা সি.আর.পি.এফকী ৮৭ শুবা বত্তালিয়নগী কাংবুনা ইমা কৈথেল অমদি ৱালিনাগরদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চানা থকনবা পোৎলমশিং য়েনখিবগা লোয়ননা মেদিকেল কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**তোবাকো (এল)ঃ** ৱার্ল্ড নো -তোবাকো দে ঙসি মালেমশিনবা থুংবদা পাঙথোকরি। পালন অসি ইং কুমজা ১৯৮৭ তগী হৌনা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইত্তেজসননা হিদাক মনা অমদি মসিগী পোখোকশিং শিজিন্নবনা ঐখোয়গী হকশেলদা শোকহনবা সমস্যাশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাউগী ফীভম য়েংলগা পালন অসি মায় পাকা পাঙথোকখিদ্রে। চহি অসিগী ওইবা পালনগী হিরমদি - প্রোতেক্তিং চিল্ড্রেন ফ্রোম তোবাকো ইন্দস্ত্রিজ ইন্তরফেরেন্স হায়বসিনি। মসিনা চহি নৌরিবা অঙাংশিংদা তোঙান তোঙানবা মেদিয়াগী থোংদা হিদাক মনাগী পোখোকশিং এদভরতাইসমেন্ত তৌরিবা অসি উহন্দনবা অমদি মখোয়দা খঙহন্দনবা পানদম থল্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা নেসনেল তোবাকো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মনিপুর ষ্টেট নোদেল ওফিসর ডা: সুজতা হুইদ্রোমনা অসুমা হায়-

**--সাউন্দ সুজতা--**

**দ্রাইভ (এল)ঃ** লম্লাই পুলিস ষ্টেসননা ঙসি পুলিস ষ্টেসন অসিগী মমাংদা গাড়ি মচা থৌদুনা লাকপা মীওইশিং হেলমেট শিজিন্নবগী মতাংদা হেলমেট দ্রাইভ অমা চথখ্রে। দ্রাইভ অদুদা মীওই ৯০ রোম হেলমেট উপতনা গাড়ি মচা থৌরকপদগী ফাগৎখি অমদি মখোয়দা হেলমেট শিজিন্ননবগী এৱার্নেস পীরবা মতুংদা থাদোকখি হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি (ইন্দিপেন্দেন্ত চার্জ )ওইরিবা দরমেন্দ্র কুমার আই.পি.এসনা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা হায়-

**-সাউন্দ দরমেন্দ্র--**

**রঞ্জন(এল)ঃ** ইন্দিয়ন নেসনেল আর্মি (আই.এন.এ)গী থৌনা অমসুং মতিক মগুন শৈথাবা লাইরিক -ত্রাই কলর ওফ মোইরাং-ঙসি কেন্দ্রগী শিক্ষা অমসুং মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডা: আর.কে রঞ্জননা ফোংখ্রে। মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী কন্মীতি রুমদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লাইরিক অদু ফোংখিবনি। লাইরিক অসিগী ইদিতরনা হিদম অজিৎ, ৱাকম্বম দিরেন অমসুং সুকাদেব শর্ম্মনি।

লাইরিক অদু ফোংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- নিংতম ইহৌগী পুৱারিগী লমায়দা জাতিগী থাক্তা মনিপুরবু মশক তাক্লিবা মোইরাংদা আই.এন.এনা মচু অহুমগী ফীরাল চীংখৎখিবগী ৱারি ইদিতর অহুমনা পুন্সিন্দুনা ইরকপা হায়বসি থাগৎনিংঙাইনি। মহাকা হায়- অসিগুম্বা লাইরিক অমা পুথোকপা অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামা ভারত নিংখা তমবা হোৎনবদা লৌরম্বা থৌদাংশিং তুংগী মীরোলদা খঙহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

মনিপুর য়ুনিভার্সি , এন.জি কলেজ, ইন্তিলেক্চুয়েল ফোরম ওফ নোর্থ ইষ্ট , ভারত্যা ইতিহাস সংকালন সম্মীতি মনিপুর প্রান্টনা শিনবা থৌরম অদুদা এম.পি ডা: লোরহো ফোজে ,কমক্ষ্যা প্রসাদ তাশা অমসুং মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফসর এল.লোকেন্দ্রো শরুক য়াখি।

**কাংপোকপী(এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থীনবগী শেম শাবা ওইনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর কাংপোকপীনা লুচিংদুনা ইলেক্সন নোদেল ওফিসরশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

**পরিষদ(এল)ঃ** মনিপুর সহিত্যা পরিষদ থৌবাল জিলাগী মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ৱাংজিংদা লৈবা খোরিরোল শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুগী শরুক অমা কাবি ১৫ রোমনা শরুক য়ারদুনা শৈরেং শৈদিন্নবা পাঙথোকখি।

**কাং(এল)ঃ** ৱাবগাই অৱাং লৈকায় কম্ম্যুনিতি হোল কাংশঙদা চথরিবা ২৪ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নিংশিং কম নোক আউত কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবদা মরাম্বা হিয়াংলম কেন্দ্রনা কে.কে.সি.ও কৈশামথোং কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১২-১৬ তা থোইখি। হয়েং লাংমৈদোং হিয়াংলম কেন্দ্রগা আই.দব্লিউ .কে.কে থোংজ্ কেন্দ্রগা শান্নগনি।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**লোকসভাঃ** লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনবা শেম শাবা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমদা লোক সভা সিট ৫৭ কাদমক ভোট থাদনগনি । ভোট থাদনগদৌরিবা রাজ্যশিং অদুদি- উত্তর প্রশেদ অমসুং পঞ্জাবকী সিট ১৩-১৩, নোংচুপ বেঙ্গোলগী সিট ৯, বিহারগী সিট৮ ওরিষাগী ৬, হিমাচল প্রদেশকী ৪, ঝরখন্দগী ৩ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোতির চান্দিগরগী সিট ১ নি। ভোট অয়ুক পুং ৭ তগী থাদনবা হৌগনি।

তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ওইরবা শকাইরবশিংগী মনুংদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রি অনুরাগ ঠাকুর, ত্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবা অভিসেক বেন্নর্জিনচিংবা য়াওরি। ইলেক্সন কম্মীসন্না ভোট নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি লৈনা থাদনবগীদমক শেম শাবা লোইরে। ভোট থাদফমশিংদা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

অমরোমদা, লোক সভা মীখল অসিগা মরী লৈননা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা ইনকম টেক্স বিভাগনা সনা অমসুং শেল ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১,১০০ ফাগৎপা ঙমখি । সরকারগী পাউনা হায়-ইং কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা ইনকম টেক্স বিভাগনা লুপা কোতি ৩৯০ ফাখিবা অদুদগী হন্দক্কী অসিনা চাদা ১৮২ হেনগৎলে।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১)  রাজ্য অসিদা ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈননা শীখিবা মীগী মশিং ৪ শুরে। ইম্ফালগী পাউনা কৈথেলদা অনৌবা নৌনা ড্রেনেজ সিস্তেম থন্লগনি।

২)  মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্য খরদা নোংলৈ নুংশিৎ রেমালনা অমাং অতা থোকহল্লিবা অদুবু প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিনা নুংঙাহতবা ফোংদোরক্লি। পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

৩)  ইম্ফাল মনুংদা ঈশিং ঈচাউ হন্থাহন্নবা পান্দমদা ৱাইশেল মরিল ঙসিদগী শেংবা হৌখ্রে। লম খোপশিল্লন্বশিং তকথোকখ্রে।

৪)  প্রোতেক্তিং চিল্ড্রেন ফ্রোম তোবাকো ইন্দস্ত্রিজ ইন্তরফেরেন্স হায়বা হিরমদা ৱার্ল্ড নো -তোবাকো দে ঙসি মালেমশিনবা থুংবদা পাঙথোকরি।

**অমসুং**

৫)  লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমদি অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং সিট ৫৭ কীদমক ভোট থাদনবা শেম শাবা লোইরে ।

**--- পাউ লোইজরে---**